# মমাংদা তৌখিবশিং খন্নবগী মতম লোইরে, ঐখোয়গী অশোয়বদা ইনৌ নৌনা মীৎয়েং থল্লগা হোৎনবগী মতম ওইরে : সুশিলা চনু



বেঙ্গলুরু, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): মমাংদা তৌখিবশিং খন্নবগী মতম লোইরে, হৌখিবা টুর্নামেন্ট অনীদা ঐখোয়না শোয়খিবশিংবু মীৎয়েং থল্লগা ইনৌ নৌনা হোৎনবগী মতম ওইরে হায়না সিনিয়র ইন্দিয়ন ৱিমেন্স হোক্কী টিমগী মিদ ফিল্ডর সুশিলা চনু পুখ্রম্বমনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

চহী অসিগী জুলাই থাদা পাঙথোকখিবা এফ আই ঐচ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিয়ানা থম্মোয় কায়না ৯শুবা পোজিসনদা লৈহৌখিবনি। অদুবু হন্দক্তা বর্মিংহমদা পাঙথোকখিবা কমনৱেল্থ গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংদুনা চহী ১৬কী মনুংদা ইন্দিয়ানা অহানবা মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিমনা মখোয়গী মথংগী অচৌবা এসাইনমেন্ট অমা ওইরিবা স্পেনগী ভেলেন্সিয়াদা চহী অসিগী দিসেম্বর ১০দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এফ আই ঐচ নেসন্স কপকী শেম শাবা ওইনা বেঙ্গলুরুদা নেসনল কেম্প পাঙথোক্তুনা হৌজিক-হৌজিক ট্রেনিং কন্না চথুরি।

'ঐখোয়না হৌজিকসাইদা লৈরিঙৈ অসিদা মমাংদা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অনী - এফ আই ঐচ ৱিমেন ৱর্ল্ড কপ অমদি বর্মিংহম ২০২২ কমনৱেল্থ গেমসতা ঐখোয়না পীখিবা পর্ফোর্মেন্সশিংগী খন্নবগী মতম য়াম্না লৈরি' হায়না হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রেস রিলিজ অমদা সুশিলানা ফোঙদোকখি।

'ঐখোয়না মমাংগী টুর্নামেন্ট অনী অসিদা তৌখিবা অশোয়বশিংদা ইনৌ নৌনা মীৎয়েং থমদুনা হৌজিক ট্রেনিং চথুরি।'

এফ আই ঐচ প্রো লীগ ২০২৩-২৪গী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা নেসন্স কপ অসিদা ইন্দিয়ানা পুলবিদা কেনেদা, জপান অমদি সাউথ অফ্রিকাগা পুল্লি অদুগা পুল এদনা আইরলেন্দ, ইটলি, কোরিয়া অমদি স্পেননা শরুক য়ারি।

মশাগী চহী ৩০ শুরবী ষ্টেট অসিদগী হৌখিবী ভেটরান প্লেয়র সুশিলা হৌজিকফাওবদা ইন্টরনেসনল মেটচ ২২০ শান্নখ্রে অমদি মহাক্না ২০১৬কী রিও ওলিম্পিকক্তা ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন ওইখিবনি।

মহাক্না হায়খিবদা হৌজিকনুংতিগী ট্রেনিং চথরিবা অসিদা নহা শান্নরোয় কয়া অমনা মখোয়গী তৌবা ঙম্বশিং নীংথিনা উৎলি। মসি অফবা খোঙথাং অমনি, ঐখোয়গী ওইনসু হেন্না ফজনা হোৎননিংবগী ঈনোৎ পীরি। অশেংবনি, সিনিয়র অমা ওইনা ঐখোয়না মতম চুপ্পদা টিমদা শরুক য়াগদবা নত্তে। ঐখোয়সু অচৌবা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াবা ঙমখিনি হায়বা উৎপা তাই।

ঐখোয়গী মনুংগী ওইবা কম্পিটিসন পাঙথোকপা অসিনা টিমদা হেন্না অফবা ওইহনবদা নৎতনা অচূম্বা মায়ওনদা চঙশিল্লি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

সুশিলানা মখা তানা হৌজিক্কী মতমগী হোক্কী মশান্নদা হকচাং ফনা থম্বা য়াম্নমক মথৌ তাই। ফিটনেস অমদি স্পীদ লৈনা হোৎনবা অসিনা ঐখোয়গী খূদোংচাবনি অমদি মসিনা কেম্প অসিগী ওইনসু মরুওইবা পান্দমনি।

য়াঙনা অমদি ফিটনেস লেভেল ঙাক্না শান্নবনা ওলিম্পিক গেমস মনুংদা ঐখোয়গী প্লস পোইন্ট ওইখিবগা লোয়ননা অফবা রিজল্ট পীরকপদসু মতেং ওইখি। লাক্কদৌরিবা নেসন্স কপ অসিগী মেটচশিংদা ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং পীবা ঙম্নবা ঐখোয়না ওপ্টিমেল ফিটনেস লেভেল থম্বা মথৌ তাই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

পান পেসিফিক ওপন

# ঝেং কিনৱেননা টোপ সীদ পোলা বদোসা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর চঙখ্রে

টোকিও, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): চাইনিজ টীনেজর ঝেং কিনৱেননা স্পেনিশ টোপ সীদ পোলা বদোসাবু জপানগী কোনুং টোকিওদা চথুরিবা পান পেসিফিক ওপনগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।



মিনট ৭৮ চুপ্পা শান্নখিবা মেটচ অদুদা চাইনাগী রেঙ্ক ৩৬তা লৈরিবী ঝেংনা নম্বর ৱান সীদেদ পোলাবু ৬-৩, ৬-২দা মায়থীবা পীখি।

মশাগী চহী ১৯ শুরবী ঝেংগী ঙসিগী মায় পাকপা অসিনা মহাক্কী চহী অসিগী টুর-লেভেল ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা অহুল্লক শুবনি অমদি দব্লিয়ু টি এ ৫০০ লেভেল নৎত্রগা মথক্কী ওইনা অনীরকশুবনি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা য়ু এস ওপনদা লাষ্ট ৩২ য়ৌবা ঙমখিবী ঝেংনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না বদোসাবু মায়থীবা পীবা অসি মহাক্কী ওইনা অঙকপা ওইদে। ঐনা মতম চুপ্পদা মসিগী থাক অসি য়ৌরে হায়বা খঙজে হায়খি।

ঐনা মেটচ অসি মায় পাকপদা য়াম্না হরাউই অমদি মতুংদসু চপ মান্নবা মায় পাকপা পাল্লি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ঝেংনা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জপানগী মিশাকি দোইবু ৬-২, ৬-৪দা মায়থীবা পীরমখি। মহাক্না দব্লিয়ু টি এ ৫০০ লেভেলগী অহানবা সেমীফাইনেল য়ৌনবগীদমক ক্বার্টর ফাইনেলদা বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্স নৎত্রগা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী ক্লেয়র লিয়ুগা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা, হন্দক্তা পাঙথোকখিবা য়ু এস ওপনগী রাউন্দ ওফ ৬৪দা মায়থীহৌখিবী বদোসানা অহানবা রাউন্দদা বাই ফংদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেকেন্দ রাউন্দ চঙলকখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, নম্বর টু সীদেদ কেরোলিন গার্সিয়া চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিদগী ঙন্না মায়থীদুনা লৈহৌখিবনি।

মাইপাকপী মেমোরিএল ট্রোফি

# কবি তিংচোই এফ সী অমদি হৈরোক এফ সী ক্বার্টর চঙখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): মঙাল ফাউন্দেসন হৈরোকনা শীন্দুনা চথুরিবা অহানবা মাইপাকপী নীংশিং ট্রোফি ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা কবি তিংচোই এফ সী অমদি হৈরোক এফ সী ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

হৈরোক পার্ট-টু লিতান মখোঙদা লৈবা সিটি ক্লব প্লেগ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা কবি তিংচোই এফ সীনা নেসা এফ সী সেকমাইবু ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাফকী শান্নবদা টিম অনীনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা রোলান্দনা শান্নবগী ৩৬ শুবা মিনটতা কবি তিংচোইগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মেটচ লোইরমদাই স্লুনিনা শান্নবগী ৫২ শুবা মিনটতা কবি তিংচোইগী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি এল রোজিৎনা সেকমাই টিমগী বুংসনবু অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪৭ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেলদা হৈরোক এফ সীনা ঈ ঈ ও লমদিংবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। এল রোশননা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা হৈরোক্কী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ঙাইহাক লৈরগা কিষননা শান্নবগী ৪২ শুবা মিনটতা হৈরোক্কী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৪৩ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিন্দুনা লমদিং টিমবু ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি এম রোশনী চনুনা লমদিংগী মায়পাকসনা অমদি হৈরোক্কী সঞ্জিব শান্নবগী ২৮ অমদি ৬০ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা শগোলশেন নুমিৎ প্রি ক্বার্টর মেটচ অনী শান্নরগনি। অহানবা মেটচতা দি এল সী হৈরোক অমদি য়াইরিপোক এফ সী অনীনা নুংথিল পুং ২দা থেংনরগনি অদুগা অনীশুবা মেটচতা থৌবাল এফসী অমদি কেএম ৱাই এফ সী ক্যামগৈ অনীনা নুংথিল পুং ৩.৩০দা লম্বা তৌনরগনি।

# টি-২০ আই : অষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৪দা মায়থীবা পীখ্রে



মোহালি, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): পঞ্জাবকী মোহালিদা লৈবা পঞ্জাব ক্রিকেট এসোসিএসন আই এস বিন্দ্র ষ্টেদিয়মদা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা শান্নখিবা অহানবা টি-২০ ইন্টরনেসনলদা অষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

অষ্ট্রেলিয়াগী মায় পাকপা অসিনা মেটচ অহুম শান্নগদবা সেরিজ অসিদা ইন্দিয়াবু মেটচ অমা মাংজিল থানা চৎলি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা অষ্ট্রেলিয়ানা টোস ঙমদুনা অহানবা ফিল্ডিং খনখি। ইন্দিয়ানা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ২০৮ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অদুদা ইন্দিয়াগী বেটসমেন হর্দিক পান্দিয়ানা বোল ৩০দা রন ৭১ লৌদুনা টিমগী খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা শান্নরোয় ওইবা ঙমখি। কে এল রাহুলনা বোল ৩৫দা রন ৫৫ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসকী বোলিংদা অষ্ট্রেলিয়াগী বোলর নাথন এলিজনা ওভর ৪ লংবদা রন ৪০ পীরগা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি। জোস হেজলৱুদনা ওভর ৪ লংবদা রন ৩৯ পীরগা ৱিকেট ২ লৌখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা অষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেনশিংনা ওভর ১৯.২দা ৱিকেট ৬ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা রন ২১১ লৌদুনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৪দা মায়থীবা পীখিবনি।

অষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন কেমরুন গ্রীননা বোল ৩০দা রন ৬১ অদুগা মেথিয়ু ৱেদনা আউট ওইদনা বোল ২১দা রন ৪৫ লৌবা ঙমখি।

মেটচ অসিগী ওভর ১৮ লোইবা ফাওবদা অষ্ট্রেলিয়ানা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৯১ লৌবা ঙমখি। অষ্ট্রেলিয়ানা মায় পাক্নবা বোল ১২দা রন ১৮ লৌবা মথৌ তাখি। মথংগী ওভর ১৯ লোইবা ফাওবদা অষ্ট্রেলিয়ানা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ২০৭ লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অসিবু মায় পাক্নবগীদমক বোল ৬তা রন ২ লৌবা মথৌ তাখিবনি।

ইন্নিংস অসিদা ইন্দিয়াগী বোলর অক্ষর পটেলনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌদুনা রন ১৭ পীখি। অদুগা উমেশ য়াদবনা ওভর ২ লংবদা রন ২৭ পীরগা ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়া অমদি অষ্ট্রেলিয়া অনীনা থা অসিগী ২৩গী নুমিদাং পুং ৭তা অনীশুবা মেটচ শান্নরগনি। অদুগা থা অসিগী ২৫গী নুমিদাং পুং ৭তনা অহুমশুবা মেটচ শান্নরগনি।

# রোনাল্ডোনা য়ুরো ২০২৪ ফাওবদি শান্নবা পাল্লি



লিসবোন, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): ক্রিষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা য়ুরো ২০২৪ ফাওবা শান্ননবগী মহাক্কী মীৎয়েং থল্লকপগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদি মহাক পোত্থাবগী থৌরাং লৈত্রি হায়না পোর্টুগল অমদি মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী ফোরৱার্দনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি মহাক্না লিসবোনদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাঙথোকপা পোর্টুগিজ ফুটবোল ফেদরেসন (এফ পি এফ)কী কিনাস দি ওরা এৱার্দ ফংলবা মতুং ফোঙদোকখিবনি।

এৱার্দ অসি টোপ নেসনল টিমগী মতম চুপ্পদা গোল চনবগী পীবা এৱার্দনি। রোনাল্ডোনা হায়খিবদা ঐগী লম্বী হৌজিক লোইদ্রি। মতম খরদি নখোয়না 'ক্রিস'কা লোয়নবা তারি হায়খি।

'ঐনা ৱর্ল্ড কপ অমদি য়ুরোদা শরুক য়াবা পাল্লি, ঐগী এইম য়াম্না চাওরি' হায়না চহী ৩৭ শুরবা শান্নরোয় অসিনা মখা তাখি।

রোনাল্ডোনা পোর্টুগলগী মেটচ ১৮৯ শান্নখিবদা পূন্না গোল ১১৭ চনবা ঙমখি। মহাক্না মহাক্কী লৈবাক্কী ওইনা ১০শুবা অচৌবা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট কটার ২০২২দা শান্নগনি হায়না থাজরি।

মহাক্না ২০২১গী সেপ্টেম্বরদা রিপব্লিক ওফ আইরলেন্দগা শান্নখিবা মেটচতা গোল ২ চনশিন্দুনা ইরানগী অফাওবা অলি দেগী গোল ১০৯ চন্দুনা থল্লম্বা ইন্টরনেসনল স্কোরর রেকোর্দতগী হেনগৎপা ঙমখিবনি।

# সগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা এল এস ট্রোফি ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): থা অমা চুপ্পা চথরকপা মেগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা এল এস ট্রোফি ২০২২ ঙসি কাংপোকপীগী বৃগেদিয়র এম থোমাস গ্রাউন্দদা লোইশিনখিবগা লোয়ননা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা ৱিন্নর অদুগা কুকি স্পোর্টিং ক্লব (কে এস সী)না রন্নর্স অপ তাবা ঙমখ্রে।




এম থোমাস গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা কে এস সীবু ১-০দা মায়থীবা পীখি।

সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু শুঞ্জানথাংনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫০ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা এফ সী গোর্খানা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমগী মনা ফংবা ঙমখি। কে এস সীগী লুনগৌসেমনা বেষ্ট প্লেয়র, সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী অচাননা বেষ্ট দিফেন্দর অদুগা মণিপুর টেরিয়রগী প্রেমচান্দনা টোপ স্কোররগী মনা ফংবা ঙমখি।

সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী ফিজিও জয়ললিতাদা টুর্নামেন্ট অসিগী ফর্ষ্ট ৱিমেন ফিজিওথেরাপিষ্টকী মনা খূৎশিন্নখি।

ৱিন্নর ওইখিবা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদপু ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা লাখ ২গী শেলগী মনা অদুগা রন্নর্স অপ তাখিবা কে এস সীদা ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা লাখ ১গী শেলগী মনা খূৎশিন্নখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা সেমীফাইনেল য়ৌরকখিবা টিম অনী - সিমপোরিয়া এফ সী অমদি টি এ এস এদা লুপা লিশিং ২৫/২৫গী শেলগী মনা খূৎশিন্নখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা আউটর মণিপুরগী এম পি ডা. লোর্হো এস ফোজেনা অথোইবা মীথুংলেন অদুগা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন সাদর হিলসকী প্রসিদেন্ট চোংপু কিপজেননা থৌরম মপূ অমদি সেন্টর চর্চ কে বি সী কাংপোকপীগী পাষ্টর হাওপুনা ব্লেসিং মিনিষ্টর ওইনা শরুক য়াখি।

ফিফা য়ু-১৭ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ইন্দিয়া ২০২২

# ঙাঙোম বালানা ইন্দিয়াগী ফুটবোল ফেনশিংদা স্পেসল মেসেজ থল্লক্লি

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা য়ূম্বু ওইদুনা ওক্টোবর ১১দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা অন্দর-১৭ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ইন্দিয়া ২০২২ অসিনা লৈবাক অসিগী হৌগৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী টেলেন্ট উৎনবগী প্লেটফোর্ম অমা ওইরগনি হায়না ইন্দিয়ন ৱিমেন্স ফুটবোল টিমগী হান্নগী কেপ্টেন ঙাঙোম বালানা ফোঙদোকখ্রে।




বালানা হায়খিবদা, ফিফা য়ু-১৭ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ অসিদা ঐখোয়গী চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাশিংনা শরুক য়াবগী খূদোংচাবা ফংগদৌরিবা অসিদা ঐখোয়গী মরূপ-মপাংশিং, শান্নরোয়শিংগী মমা-মপাশিং অমদি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ষ্টেদিয়মদা লাকপীদুনা ৱর্ল্ড কপ অসিবু মীৎয়েং তানবা অমদি শান্নরোয়শিংবু সপোর্ট তৌনবা হায়খি।

বালানা ইন্দিয়া টিমবু টুর্নামেন্ট অসিদা ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীবা ঙম্নবা সপোর্ট তৌবগা লোয়ননা ফোঙদোকখিবদা, ঐঙোন্দা থাজবা থম্মী মদুদি নুপীমচাশিং অসিনা ঐখোয়বু শোয়দনা চাওথোকচবা পোকহনগনি। শান্নরোয়শিং অসিনা মথংগী জেনরেসনদা রোল মোদেল ওইনা থবক তৌরকখিগনি হায়খি।

ইন্দিয়াগী নুপী টিমনা গ্রুপ এদা মোরোকো, ব্রাজিল অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেট্স ওফ অমেরিকা (য়ু এস এ)গা পূন্না শরুক য়ারি। টুর্নামেন্ট অসি ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফম অহুম - নাবি মুম্বাই, ভুবনেশ্বর অমদি গোৱাদা পাঙথোক্কনি। অদুবু ইন্দিয়া টিমগী ওইনা মখোয়গী গ্রুপকী মেটচশিং ভুবনেশ্বরগী কলিঙ্গ ষ্টেদিয়মদা শান্নগদৌরি।

# গোল্ডন গ্লোভসকী গোল্ড মেদলিষ্ট থোঙাম কুঞ্জরানীবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): সর্ভিয়াদা থা অসিগী ১৭তগী ১৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৪০শুবা গোল্ডন গ্লোভস ইন্টরনেসনল য়ুঠ বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল লৌখিবী ষ্টেটকী বোক্সর থোঙাম কুঞ্জরানীবু সরিতা রিজনেল বোক্সিং একাদেমি ময়াং ইম্ফালনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।



কুঞ্জরানীনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপীগী কেজি ৬০গী কাঙলূপকী ফাইনেলদা মহাক্কী লম্বা থাইলেন্দগী বোক্সরবু য়ুনানিমস দিসিজন ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌরকখিবনি।

মহাক হৌজিক-হৌজিক ষ্টেট অসিগী শক্লাইরবী বোক্সর অমদি অর্জুনা এৱার্দী লাইশ্রম সরিতাগী মখাদা সরিতা রিজনেল বোক্সিং একাদেমি ময়াং ইম্ফালদা ট্রেন তৌরিবা শান্নরোয়নি।

পনবা য়াবদি, চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর ১২না শরুক য়াবদা ১২মক মেদল লৌবা ঙম্লকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা পূন্না মেদল ১৯ ফংবা ঙমখিবনি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 579**

**Imre Korody Keresztely - Pal C Benko**
**Budapest game Budapest, 1951**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 d5 | 2.c4 c6 | 3.Nf3 Nf6 | 4.Nc3 e6 |
| 5.e3 Nbd7 | 6.Bd3 dxc4 | 7.Bxc4 b5 | 8.Bd3 Bb7 |
| 9.O-O b4 | 10.Ne4 c5 | 11.Nxf6+ gxf6 | 12.Qe2 Qb6 |
| 13.a3 Bd6 | 14.axb4 cxd4 | 15.exd4 Rg8 | 16.b5 Qxd4 |
| 17.h3 Ne5 | 18.Nxd4... | | |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 578 Ans. :**

64. Nxe5 a2 Blocking square a2. 65. Ng4 Opening the line from h4 to h5. hxg4 66. h5 g3 67. h6 Mating net g2 68. h7 Mating net g1=Q 69. h8=Q+
69. h8=B+ Qg7 70.Bxg7#
69. ...Qg7 70. Qxg7#
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com